# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
### (DATE 28-08-2025)
--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি ১৫ শুবা ভারত-জপান চহিগী মীফমদা শরুক য়ারুনবা ঙসি জপানদা চৎলগনি।

২) মপাল থৌরম রাজ্য মন্ত্রি কৃতি ভরধন সিংহনা হায়রি- ভারত শেল থুম অমসুং উদ্যোগকী লমদা মপাঙ্গল কনবা লৈবাক অমা ওইরি।

অমসুং

৩) কেবিনেট কমিতি ওন ইকোনোমিক এফ্যারসনা লুপা কোতি লিশিং ১২,৩২৮ চংগদবা মরুওইবা রেলৱে প্রোজেক্ট মরি শেমগৎনবা অয়াবা পীখ্রে।

------

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি ১৫ শুবা ভারত-জপান চহিগী মীফমদা শরুক য়ারুনবা ঙসি জপানদা চৎলগনি। খোঙচৎ অসি প্রধান মন্ত্রিগী জপানদা চৎপা ৮ লক শুবনি অমসুং অহানবা ওইনা মহাক্না ফম মান্নবা জপানগী সিগেরু ইসিবাগা পুন্না মীফম অসিদা শরুক য়ামিন্নগনি।

মপান থৌরম মন্ত্রালয়গী চেরোল অমনা হায়- খোঙচৎ অসিদা প্রধান মন্ত্রিনা লৈবাক অনিগী ওইবা মরী হেন্না চেৎশিন্নবা ৱাফম কয়া খন্নগনি। মরুওইনা ঙাকশেল, লল্লোন ঈতিক, শেল থুম, টেকোলোজি, ইনোভেসন্নচিংবগী লমদা খন্নগনি। মালেমগী হৌজিক ওইরিবা ৱাফমশিংগী

মতাংদসু খন্নগনি। শ্রী মোদিগী খোঙচৎ অসিনা লৈবাক অনিগী মরুপ মপাং ওইবগী মরী হেন্না চেৎশিনহল্লগনি।

প্রধান মন্ত্রিগী অনিসুবা খোঙচৎতা থা অসিগী ৩১ দা চাইনাদা চৎকনি। মফম অদুদা শ্রী মোদিনা শংহাই কোর্পোরেসন ওর্গনাইজেসন সম্মিৎতা শরুক য়াগনি। প্রধান মন্ত্রিনা মীফম অসিদা শরুক য়াবা লাকপা তোঙান তোঙানবা লুচিংবশিংগসু উন্নদুনা ৱারী শান্নগনি হায়রি।

কৃতি ঃ মপাল থৌরম রাজ্য মন্ত্রি কৃতি ভরধন সিংহনা হায়রি- ভারত শেল থুম অমসুং উদ্যোগকী লমদা মপাঙ্গল কনবা লৈবাক অমা ওইরি। মহাকা হায়- আমেরিকানা ভারত্তা শাবা পোৎ চৈ পুশিল্লকপদা চাদা ৫০ গী টেক্স হেনগৎলিবা অসি মরম চাদবা অমসুং মরী লৈনদবা ৱাফমনি।

নিউ দিল্লিদা পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংগী পাউখুমদা শ্রী সিংহনা হায়- ভারত মপাঙ্গল কনবা লৈবাক অমা ওইরি। সরকার অসিনা কৈদৌনুংদা লৈবাক অসিবু অৱা অনা নংহল্লোই।

একজাম (এল)ঃ মণিপুর পাব্লিক সার্ভিস কম্মিসন্না লৌবা এম.সি.এস.সি.সি মেইন পরিক্ষা সেপ্তেম্বর ৯ দগী ১১ ফাওবগী মনুংদা পাঙথোক্কনি তৌরম্বা অদু থা অসিগী অরোইবা চয়োলদা নত্রগা ওক্তোবর থাগী অহানবা চয়োলদা পাঙথোকবা য়ানা লৈরে হায়রি।

মণিপুর পাব্লিক সার্ভিস কম্মিসনগী রেজিষ্ট্রারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- এদমিনিষ্ট্রেসনগী ওইবা থবক থৌরমশিংগী মরমনা পরিক্ষা অসি য়ৈথোকপনি। পরিক্ষা থাগদবা কেন্দিদেটশিংনা মণিপুর পাব্লিক সার্ভিস কম্মিসনগী ওফিসিয়েল ৱেব সাইটশিং তৎতনা চ্যেক তৌবীনবা হায়রি।

সেরি (এল)ঃ মেরা রেসম মেরা অভিমান কেম্পেনগী অহুল্লক শুবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম ওন সিল্ক কোকুন হারভেষ্টিং এন্দ হেন্দলিং হায়বা থৌরম অসি মায় পাক

া পাঙথোকখ্রে। বিষ্ণুপুর জিলাগী ৱাংঙু কৈরক্তা টেক্সতাইল মন্ত্রালয়গী সি.এস.বি রিজনেল সেরিকলচরেল রিছার্স ষ্টেসন অমসুং রাজ্য সরকারগী সেরিকলচর বিভাগকা পুন্না খুৎশমদুনা কোকুন য়োকপা অমসুং লোকপগী মতাংদা মীয়ামদা তাকপী তম্বীখি।

থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা কোকুন্না শাবা য়াবা তোঙান তোঙানবা পোৎলমশিংসু মতৌ করমা শাগনি হায়বদু মীয়ামদা খঙহনখি। মচু শংবা অমদি লং পুথোকপগী মতাংদসু অখঙ অহৈ কয়ানা তাকপী তম্বীখি।

মনকিবাটঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১২৫ শুবা ইপিসোদ থা অসিগী ৩১ গী অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি।

থৌরম অসি এ.আই.আর ন্যূজ, দি.দি. ন্যুজ, পি.এম.ও. অমসুং ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী য়ু-ট্যুব চেন্নেলশিংদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌগনি। এল.আর.এস চুরাচান্দপুরদসু থৌরম অসি শন্দোক্কনি। মসিগী মণিপুরী ৱাহন্থোক প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংবা হেক লোইবগা অকাশবানি ইম্ফালনা শন্দোক্কনি। মসি নুমিৎ অসিমক্কী নুমিদাং পুং ৮ দসু অমুক হন্না শন্দোক্কনি। দাইলেক লোলশিংদনা মথংগী নুমিৎতা শন্দোক্কনি।

রেল ঃ কেবিনেট কমিতি ওন ইকোনোমিক এফ্যারসনা লুপা কোতি লিশিং ১২,৩২৮ চংগদবা মরুওইবা রেলৱে প্রোজেক্ট মরি শেমগৎনবা অয়াবা পীখ্রে। থৌরাং অসিনা চৎথোক চৎশিনগী পান্থৈ হেন্না খুদোংচাহল্লগনি। লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদা চৎপদা মতম চংবা হন্থহল্লগনি। প্রোজেক্ট অসিদা গুজরাতকী কটচ ফাওবা শমগদবা রেল লম্বী য়াওরি। করনাটক, তেলঙ্গনা, বিহার অমসুং অসামগী মনুং হুঞ্জিন্না লৈবা মফমশিংদসু চৎথোক চৎশিনগী লমদা হেন্না খুদোংচাহল্লগনি।

কিলোমিতর ১৭৩ শাংবা সিকন্দ্রবাদ-সনৎনাগর-ৱাদি থার্দ অমসুং ফোর্থ লাইন লুপা কোতি লিশিং ৫,০১২ চংনা চহি মঙাগী মনুংদা লোইশিন্নবা পান্দম

থল্লি। কিলোমিতর ৫৩ শাংবা ভগলপুর-জমলপুরগী অহুমসুবা লাইন চহি অহুমগী মনুংদা লোইশিন্নবা হোৎনরগনি হায়রি। কিলোমিতর ১৯৪ শাংবা ফুরকেতিং-নিউ তিন্সুকিয়া দবল্লিং অসিসু লুপা কোতি লিশিং ৩ হেন্না কাইথোক্কুনা চহি মরিগী মনংদা লোইশিন্নবা পান্দম থল্লি। গুজরাতকী কটচকী রেলৱে লাইন অসিসু চহি অহুমগী মনুংদা লোইশিন্নবা হোৎনগনি হায়রি।

জন ধন ঃ   প্রধান মন্ত্রি জন ধন য়োজনা (পি.এম.জি.দি.ৱাই) চহি ১১ মপুং ফাখ্রে। য়োজনা অসি প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ২০১৪ গী ওগষ্ট ১৫ দা লাউথোক্ত্না ওগষ্ট ২৮ দগী চৎনবা হৌখি। শ্রী মোদিনা য়োজনা অসিনা লৈবাক অসিগী লাইরবা মীয়ামদা চাউনা মতেং ওইনবা পায়খৎখিবনি। প্রধান মন্ত্রি জন ধন য়োজনা অসি জাতিগী থাক্তা লৈবাক অসিগী য়ুমথোঙ খুদিংদা বেঙ্কিং সার্ভিস পীদুনা শেল থুমগী ফিভম ফগৎহন্নবা পায়খৎখিবা থৌরাংনি। স্কিম অসিনা বেঙ্ক এক্কাউন্ট হাংদোক্কুনা তোঙান তোঙানবা কান্নবা কয়া ফংহনবা ঙমলি। থৌরাং অসিনা য়ুমথোঙ খুদিংদা মীওই অমমগী লেমা বেঙ্ক এক্কাউন্ট হাংদোকপীদুনা মখোয়না ফংজগদবা শেনফমশিং মশা মশাগী এক্কাউন্টশিংদা চংহল্লকখি। থৌরাং অসি সহর অমসুং খুঙ্গংগী মফমশিংদা পুন্না পাঙথোক্লি।

মাওইষ্ট ঃ  ছত্তিসগরগী বিজাপুর জিলাদা মাওইষ্ট ৩০ সরকারদা চংজখ্রে। জিলা অদুগী এস.পি. জিতেন্দ্র যাদবনা হায়- চংজরক্লবা মাওইষ্টশিং অদুগী মনুংদা ২০ দি মখোয়গী মরী মখোঙ তাকপা ঙম্বা মীওইশিংদা লুপা লাখ ৮১ গী শেনফম পীগনি হায়না সরকারনা লাউথোকপা লৈখ্রবনি। মখোয় অদু তোঙান তোঙানবা থৌদোকশিংদা হকথেংননা চেন্নবশিংনি হায়রি। রাজ্য সরকারগী খুন্দা লৈতাহনবগী থৌশিল মখাদা চংজরক্লবা মাওইষ্টকী মীওই অমমমদা লুপা লিশিং ৫০-৫০ পীরগনি।

গেমস ঃ    কেন্দ্রগী মন্ত্রি মন্দলনা য়ুথ এফ্যারস অমসুং স্পোর্টস মন্ত্রালয়না

থাংগৎলকপা ২০৩০ গী কম্মনৱেলথ গেমসকী বিট পীশিন্নবা অয়াবা পীখ্রে। করিগুম্বা বিট অসি অয়াবা ফংলবদি গেমস অসি গুজরাত্তা পাঙথোক্লবা য়ানা লৈরি।

সরকারগী চেরোল অমনা হায়- অহমেদবাদ অসি গেমস অসি মপুং ফানা পাঙথোকপা য়াবা সহর অমা ওইরি। মফম অসিদা মালেমগী থাক্কী ষ্টেদিয়ম, ত্রেনিং তৌবগী খুদোংচাবনচিংবা লৈ।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

বোর্দর এরিয়াশিংদা আইন কায়না শাজিল্লিবা ইল্লিগেল ষ্ট্রকচরশিং তকথোকবা অমিত সাহনা খঙহনখ্রে হায়বা পাউ অমা নহারোলগী থৌদাং পাউচেদা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

লম্বী ফত্তবনা চাকথোং গ্যাস নিংথিনা পুশিল্লক্ত্রে, দিষ্ট্রিব্যুটরশিংদসু নিংথিনা সপ্লাই তৌদ্রে হায়বা পাউ অমা শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

সিরা রাখোং চিল্লি ফেষ্টিভেলগীদমক শেম শাবা হৌখ্রে হায়বা পাউ অমা শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

ইন্দিরা পার্ক অঙাংশিংনা হেন্না নুংঙাইনবা মওংদা শেমগৎলগা নৌনা শঙ্গাখ্রে হায়বা পাউ অমা পোকফমদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

হৌখিবা পুং ২৪ দা মণিপুরদা দেঙ্গি পোজিতিভ কেস ৩৫ থেংনরে হায়না হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

তাউদাইজাংদা আই.এম অমদি জে.য়ু.এফকী লান্মীশিংগা নোংমৈ কাপখ্রে। নোংমৈ কাপবগী মায়োক্তা খুঞ্জাশিং রেল্লি চৎখ্রে হায়বা পাউ অমা সনালৈবাক পাউচেদা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

কোহিমা ফাওদুনা চৎলিবা নেসনেল হাইৱে-২৯ লেন্দ স্লাইদ থোকপদগী

লম্বী ফাওনদ্রে হায়না পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

চান্দেলগী চিলদ্রেন হোমদগী মাংখিবা অঙাং অহুম সেক্যুরিতি ফোর্সনা রেস্ক্যু তৌখিবগী পাউ অমা মণিপুর মেলদা অনিসুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

চুরাচান্দপুরদগী নুপী অমা য়াল্লবা দব্লিউ.ৱাই টেব্লেৎকা কোন্ননা ফাবগী পাউ অমা মোর্নিং বেলদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

কাংপোকপী জিলাগী দি.সিনা নেসনেল হাইৱেগী নাক য়েৎতা আইন কায়না শাজিল্লিবশিং য়েংশিনখ্রে হায়না হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

গানফিউ মেলদা- তমেংলোং ফোরেষ্ট দিভিজন্না শিন্দুনা নুমিৎ হুমিগী ওইবা নেচরেল দাই টেকিক্কী মতাংদা পাঙথোকপা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা হৌদোকখ্রে হায়না হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

তমেংলোং টাইমসতা- মেঘালায়া সরকারনা আধার কার্দ নম্বর য়েংদুনা ভেরিফিকেসন তৌবগী মহুৎতা আধারগী কিউ আর কোদ ভেরিফিকেসন তৌবগী চৎনবী হৌদোকখ্রে হায়না হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

------